# পিএম মোদিনা বালিদা ইন্দিয়নশিং উন্নখ্রে মালেমগী লুচিংবশিংগা জি-২০ সম্মিটতা শরুক য়ারগনি




ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সী): জি ২০ সম্মিটতা শরুক য়ানবগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি নিংথৌকাবা নুমিত্তা বালিদা থুংখ্রে।

মালেমগী অচৌবা ইকনোমিশিংগী চহীগী ওইবা কনফরেন্স অদুদা মরু ওইবা লূচিংবশিংগা লোয়ননা মহাক্না সম্মিট অদুগী নাকোয়ননা বাই লেটরেল মীফমশিংসু চথগনি। নুমিৎ নীনিগী ওইবা সম্মিট অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তগী হৌগনি অমসুং মদুদা য়ুএস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন, বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর রিসি সুনাক অমদি অতৈ লৈবাক ২০ অমদি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী হেদশিংনা শরুক য়াগনি।

বালি সম্মিট অদুদা ঐহাক্না মালেমগী গ্রোঠ অমুক হন্না লাকহন্নবা হোৎনবা, ফুদ অমসুং ইনর্জি সেক্যুরিটি, ইনভাইরনমেন্ট, হেল্‌ঠ অমসুং দিজিটেল ট্রান্সফোর্মেসনগুম্বা মালেমগী ওইবা মরুওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা জি২০গী অতৈ লুচিংবশিংগা খন্ন-নৈনগনি হায়না দিল্লিদগী বালি পাঙথ্রিঙৈদা মোদিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি সম্মিট অদুগী নাকোয়ননা মহাক্না মদুদা শরুক য়ারিবা লৈবাক কয়াগী লুচিংবশিংগা উন্নগনি অমসুং মখোয়গা লৈনরিবা ইন্দিয়াগী বাই লেটরেল মরীশিংগী প্রোগ্রেস রিভিয়ু তৌগনি।

মোদিনা সম্মিট অদুগী নাকোয়ননা লুচিংবা কয়াগা তোঙান তোঙান্না বাই লেটরেল মীটিং চথগনি হায়বা লৈরবসু চাইনাগী লুচিংবা সি জিনপিংগা মহাক্না তোঙান্না ৱারী শান্নগদ্রা হায়বগী মতাংদদি খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

চাইনিজ লুচিংবা অসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী অঙনবদা বালিদা থুংখি। করিগুম্বা সম্মিট অদুগী নাকোয়ননা মোদি অমসুং সিগী মরক্তা মীফম পাঙথোকপা তারবদি মদু কুমজা ২০২০ গী জুনদা গালৱান ভেল্লিদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী ট্রুপশিংগী মরক্তা বোর্দরদা খুৎ থোক্নখিবা মতুংদা মখোয় অনীগী মরক্তা পাঙথোকপা অহানবা ইন্টরেক্সন ওইগদৌরিবনি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা য়ুজবেকিস্তানগী সমরকন্দদা পাঙথোকখিবা সাংহাই কো ওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) গী সম্মিটতা মখোয় অনী উন্নখিদবনি। বৈজিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন অমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা নাকল অনীগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবা হায়বসি চাইনা অমসুং ইন্দিয়া অনীমক্কী অমদি মখোয়গী সিটিজনশিংগী ফন্দামেন্টেল ইন্টরেষ্টনি হায়না ফোঙদোকখি।

স্পোক্স পার্সন মাউনিংনা হায়খি, মদুদি ইন্দিয়ন সাইটনা চাইনাগা মায়কৈ অমত্তদা চৎমিন্নগনি, চাইনিজ অমসুং ইন্দিয়ন লিদরশিংগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফমশিং ঙাক্কনি অমসুং লৈবাক অনীগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী অমসুং ঐখোয়গী ফেল্লো দিভলপিং লৈবাকশিংগী কম্মন ইন্টরেষ্টশিং সেভগার্দ তৌগনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

চাইনিজ অমসুং ইন্দিয়ন লিদরশিংগী মরক্তা মীফম পাঙথোকপগী মতাংদা হংবা ৱাহংগা মরী লৈননা হৌজিক্কী ওইনদি ঐহাক করিসু খঙনিংঙাই লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# দি জে বি স্কামগা মরী লৈনবা কেজ্রিৱালগী মায়োক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌনবা দিল্লি বিজেপিনা দিমান্দ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সী): দিল্লি জল বোর্দতা লুপা ক্রোর ২০ গী স্কাম অমা থোক্লে হায়রদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিল্লি বিজেপিনা জল বোর্দকী চিয়রমেন ওইখিবা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌনবা তকশিনখ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা দিল্লি এসেম্ব্লিগী ওপোজিসনগী লুচিংবা রাম্বির সিংহ বিদুরিনা হায়খি, মদুদি অহানবমক্তদা দিল্লি গভর্নমেন্টনা দিল্লি জল বোর্দকী কুমজা ২০১৫-১৬ গী ওদিট তৌরবা একাউন্টশিং ফঙদে।

সিএজিগী মায়কৈদগী লেট্টর কয়া থাখিবা লৈরবসু বোর্দ অসিগী একাউন্টশিং গভর্ণমেন্টদা লৈত্রিবনি। মসিদা নত্তনা দিল্লি জল বোর্দতা তোল্লিবা শেন্দোলসু ৱাংখৎলক্লি। ঙসিদি জল বোর্দ অসি করপসনগী মকোল অমা ওইরক্লে।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা স্পোক্স পার্সন অজয় সেহরাৱাটসু শরুক য়াখি। বিদুরিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি জল বোর্দতা লূপা ক্রোর ২০ হাইহৎলম্বগী ৱাথোক অমা থেংনরক্লিবসি লেফটনেন্ট গভর্ণরনা মীৎয়েং চঙলকপদগীনি। কুমজা ২০১৫ দগী জল বোর্দদা শেল চাবগী ৱাথোক অমা লৈরক্লে হায়না পল্লদুনা বিজেপিগী লুচিংবা অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি জল বোর্দকী এমপ্লোয়িশিং, জল বোর্দনা খনবা ফন্দ কলেক্সনগী এজেন্টশিং অমদি প্রাইভেট বেঙ্ক অমগী ওফিসলশিং লৌতুনরগা লূপা ক্রোর কয়া হাইহৎলমখি।

কঞ্জুমরশিংনা জল বোর্দকী ওফিসশিংদা লাক্তুনা প্রাইভেট কম্পেনিশিংগী কিওক্সশিংদা বিলশিং দিপোজিৎ তৌনখি। কম্পেনি অসিনা মখোয়গী কেস অমসুং চ্যেকশিং ফেক একাউন্টশিংদা দিপোজিৎ তৌখি। মদু জল বোর্দকী ষ্টাফনসু খঙখি। তৌইগুম্বসুং মসি মীয়াম্না খঙনখিদবসি মদুদা শরুক য়ারিবশিংনা মখোয়গী থৌদাংশিং নীংথিনা শিন্দোক্নখিবদগীনি। কঞ্জুমরশিংদা মীনমদুনা অসিগুম্বা শেল চাওনা চাবগী থবক অসি চথরম্বনি। কুমজা ২০১৮ দা স্কাম অসি খঙলকখিবা মতমদা এক্সন লৌখৎপগী মহুত্তা কেজ্রিৱালনা প্রাইভেট কম্পেনি অদুগী কন্ট্রেক্ট চহী অনী অমুক শাংদোকপগা লোয়ননা কম্পেনি অসিদা পীবা কম্মিসন ফাওবা হেনগৎহনখিবসি য়াম্না ঙক্লিংঙাইনি হায়নসু বিদুরিনা ফোঙদোকখি।

দিল্লিগী সিএমবু মখা তানা মরাল শীরদুনা বিজেপিগী লুচিংবা অসিনা হায়খি, মদুদি কেজ্রিৱালনা খুদিংমক খঙলবসু মহাক্না পুলিসতা কো ওপরেসন পীদবা অসিনা শেল হাইহৎপগী ৱাথোক অসিদা মহাক চেন্নৈ হায়বসি প্রুফ তৌজরে। করিগুম্বা জল বোর্দকী একাউন্টশিংগী মরমদা নীংথিনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা তারবদি মসি লুপা ক্রোর ২০০ রোম ফাওবা হাইহৎলম্বগী ৱাথোক অমা ওইরম্বা য়াই।

কেজ্রিৱালনা করিগীদমক্তা পুলিসপু এফ আই আর রেজিষ্টর তৌহনখিদবনো হায়বগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথহনগদবনি হায়বসি বিজেপিগী দিমান্দনি হায়না বিদুরিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, কুমজা ২০১৮ দা ৱাথোক অদুগী পাউ ফঙলবা মতুংদা কেজ্রিৱাল গভর্ণমেন্টনা পুলিসপু এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌহল্লমগদবনি। তৌইগুম্বসুং মসি তৌহল্লমদবা অসিনা শেল হাইহৎপগী থবক অসিদা গভর্ণমেন্ট চেন্নরে হায়বসিগী প্রুফ ওইজরে।

# গ্রাম ন্যালয়াশিং লিংখৎনবগী প্লিগা মরী লৈননা এসসিনা ঐচসিশিংদগী রিপ্লাই কৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সী): সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং মখাদা 'গ্রাম ন্যালয়া' শিং লিংখৎনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা সেন্টর অমসুং ষ্টেট পুম্নমক্কা মরী লৈনবা প্লি অমগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায় কোর্ট খুদিংমক্তগী রিপ্লাই কৌখ্রে।

পিটিস্নর এন জি ও নেসনেল ফেদরেসন ওফ সোসাইটি ফোর ফার্ষ্ট জষ্টিস এন আদর্স রিপ্রজেন্ট তৌরিবা এদভোকেট প্রসন্ট ভুসননা জষ্টিস এস এ নাজিরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা সম্মিট তৌরদুনা হায়খি, মদুদি কুমজা ২০২০ দা টোপ কোর্ট অসিনা দিরেক্সন পীখিবা লৈরবসু ষ্টেট কয়া হৌজিক ফাওবা এক্সন অমত্তা লৌখৎতনা লৈরি। অসিগুম্বা গ্রাম ন্যালয়াশিং অসিদা মীয়াম্না উকিল নেকপগী মথৌ তাহন্দনা মখোয়গী পেন্দবশিং ফোঙদোকপা ঙমহনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী সিটিজনশিং ইরায় লাইনা জষ্টিসকী খুদোংচাবা ফঙহন্নবগীদমক্তা গ্রাস রুটস লেভেলদা গ্রাম ন্যালয়াশিং লিংখৎনবগীদমক্তা পার্লিয়ামেন্টনা কুমজা ২০০৮ তা এক্ট অমা পাস তৌখিবনি।

জষ্টিস ভি রমাসুব্রমনিয়ননা হায়খি, মদুদি হায় কোর্টশিং সুপরভাইজরি ওথোরিটি ওইবনা মখোয়সু মেটর অসিদা পার্টি অমা ওইহনগদবনি। আর্গুমেন্টশিং তারবা মতুংদা বেঞ্চ অসিনা হায় কোর্ট পুম্নমক্কী রেজিষ্ট্রার জেনরেলদা নোটিস ইস্যু তৌখি। মখোয়বু কেস অদুদা পার্টিশিং ওইহনবগা লোয়ননা মেটর অসিগী মথংগী হিয়ারিং দিসেম্বর মঙাদা লেপখি।

কুমজা ২০২০ দা টোপ কোর্ট অসিনা গ্রাম ন্যালয়াশিং লিংখৎপগী নোটিফিকেসন পীরক্ত্রিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা অসুম্না তৌনবা দিরেক্সন পীখিবনি। এপেক্স কোর্ট অসিনা হায় কোর্টশিংদা হিরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা কন্সলটেসনগী প্রোসেস য়াঙশিন্নবসু খঙহনখি।

প্লি অদুনা হায়রি, মদুদি এক্ট অদুগী সেক্সনশিংনা ষ্টেট গভর্নমেন্টপু হায় কোর্টকা তান্নরগা গ্রাম ন্যালয়া খুদিংমক্কী ন্যায়াদিকারি অমা এপোইন্ট তৌবা য়াহল্লি। গ্রাম ন্যালয়া এক্ট, ২০০৮ অসি ইন্দিয়াগী খুঙ্গংগী লমশিংদা জষ্টিস সিষ্টেমগী খুদোংচাবা থুনা অমদি লাইনা ফঙহন্নবগীদমক্তা গ্রাম ন্যালয়াশিং নত্ত্রগা ভিলেজ কোর্টশিং লিংখৎপা য়ানবা পার্লিয়ামেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ইনেক্ট তৌখিবা এক্ট অমনি। এক্ট অসি কুমজা ২০০৯ গী ওক্তোবর ২ দগী চৎনবা হৌখি।

# মরম চাদনা পিআইএল ফাইল তৌখিবা এদভোকেটতা পেনালটি ইম্পোজ তৌখ্রে

কোলকত্তা, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হান্নগী কেপ্টেন সৌরব গাঙ্গুলিবু বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) গী প্রসিদেন্টগী ফমদগী লৌথোকখিবা খোঙথাংশীংনরদুনা মরম চাদনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পিআইএল) অমা ফাইল তৌখিবগীদমক নিংথৌকাবা নুমিত্তা কলকত্তা হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অমনা কোর্ট অসিমক্কী এদভোকেট অমদা পেনালটি ইম্পোজ তৌখ্রে।

হান্নগী কেপ্টেন গাঙ্গুলিবু বি সি সি আইগী প্রসিদেন্টগী ফমদগী লৌথোকখিবা অদু পোলিটিকেলগী লৌতুনবা অমনি হায়না ক্লেম তৌরদুনা পিআইএল অদুবু ফাইল তৌখিবা এদভোকেট রমা প্রসাদ সরকারবু কলকত্তা হায়কোর্টকী চীফ জষ্টিস প্রকাস শ্রীবাষ্টাবা জষ্টিস রাজশ্রী ভরদ্বাজকী দিভিজন বেঞ্চনা অহানবদা লুপা লাক্ষ অমগী পেনালটি ইম্পোজ তৌখি।

অদুম ওইনমক পিটিস্নরনা কোর্ট অসিদা আপিল তৌরকখিবদগী পেনালটিগী শেনফম অদু মতুং তাবদা লূপা লিশিং ২৫ দা হন্থহনখি। দিভিজন বেঞ্চনা পিটিস্নরদা পেনালটিগী শেনফম অদু খ্বাইদগী থুবা মতমদা ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিদা সম্মিট তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোর্টতা লাকখিবা গাঙ্গুলিগী কাউন্সেলনা হায়খি, মদুদি রোজর বিনিনা মহাক্কী ক্লাইন্টগী মহুৎ শীন্দুনা বিসিসিগী প্রসিদেন্টগী ফম পায়বদা মহাক্কী ক্লাইন্টনা য়ানিংদবা অমত্তা লৈতে।

রুলশিংগী মতুং ইন্না ঐহাক্কী ক্লাইন্ট বি সি সিগী প্রসিদেন্ট ওইনা চহী অহুমগী টার্ম মপুং ফানা লোইশিনখ্রে। মহাক্না ফম অসি পায়রিঙৈ মনুংদা মায় পাক্না মথৌদাং পাঙথোকচবা ঙমখি হায়না গাঙ্গুলিগী কাউন্সেলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মদুগী মতুংদা চীফ জষ্টিসকী বেঞ্চ অসিনা রোজর বিনিবু বি সি সি আইগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনখিবদু ইলেক্সনগী খুথাংদরা হায়না হংখি। মদুগী পাউখুমদা গাঙ্গুলিগী কাউন্সেলনা হায়খি, মদুদি রোজর বিনিগী এপোইন্টমেন্ট অদু ইলেক্সনগী খুথাংদা পাঙথোকখি অমসুং ইলেক্সন অদুগীদমক্তা মহাক্কী ক্লাইন্টনা নোমিনেসন ফাইল তৌখিবা লৈতে। অসুম্না রোজর বিনি লম্বা য়াওদনা কাখি অমদি সৌরব গাঙ্গুলিনা মহাকপু মপুং ফানা শৌগৎখি হায়না গাঙ্গুলিগী কাউন্সেলনা মখা তাখি।

# মোলেষ্টেসন কেস: ডা. ওহাদনা এমএলএগী ফম থাদোক্কনি হায়না কিহনখ্রে



মুম্বাই, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সী): মোলেষ্টেসনগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রবা নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি (এন সি পি) গী এক্স-মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্র প্রসাদনা মহারাষ্ট্রদা দিমোক্রেসিগী চাং তাহনবগী থৌওং অমা চথরক্লে হায়রদুনা এমএলএগী ফম থাদোক্কনি হায়না কিহনখ্রে।

মহা বিকাস অগাদিগী মীচংশিং ওইরিবা কংগ্রেস, সিভ সেনা (য়ুবিটি) অমসুং এনসিবিগী লুচিংবশিংনা চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেগী গভর্ণমেন্টবু ডা. ওহাদকী মায়োক্তা লৌখৎলিবা কেস অদুগা মরী লৈননা চৈ থাংখি।

পোলিটিকেল ৱার্কর চা কয়ানা পুলিসকী খোঙথাং অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মুম্বাই পুলিস ষ্টেসনগী মপানদা সিট-ইন প্রোটেষ্ট চথখি। মুম্বাইদা পাঙথোক্লিবা দিমোন্সট্রেসন লুচিংলিবা ডা. ওহাদকী লোইনবী রুটা ওহাদনা কমপ্লেনেন্ট বিজেপি মহিলা মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট রিদা অসগর রসিদকী থৌওংদা য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী মায়োক্তা কাউন্টর - কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখি।

ডাক্তর অস্বাটনা ত্বিট অমগী খুথাংদা এমএলএগী ফম থাদোক্লগনি হায়না কিহনখিবা মতুংদা এন সি পিগী সেনিয়র লিদরশিংনা মহাকপু এমএলএগী ফম থাদোকপগী ৱারেপ লৌদনবা তকশিনখি।

ওপোজিসনগী লুচিংবা এনসিপিগী অজিৎ পৱারনা মহাক্না উন্নদুনা ৱাফম অসিগী মতাংদা ৱারী শানখি অমসুং এমএলএগী ফম থাদোকপগী ৱারেপ লৌদনবা হায়খি।

এন সি পি নুপী ৱিংগী লুচিংবী বিদ্যাচাবননা হায়খি, মদুদি ডা. ওহাদকী মায়োক্তা লৌখৎলিবা কেস অদুগী মায়োক্তা মহাক্কী পার্টিনা কোর্টতা ৱাকৎলগনি অমসুং মহারাষ্ট্র শীন থুংনা প্রোটেষ্ট চথরগনি। রুটু ওহাদনা কমপ্লেনেন্ট অদুবু তৌগে মতাগুম মহাক্কী মপুরোইবগী মমাঙদা লাক্লগা মহাকপু মিংচৎ থিহন্নবা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎলি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা করিগুম্বা মহাক্কী এলিগেসনশিং অদু চুল্লমদ্রবদি মহাক্নসু পুলিসতা সূ তৌগনি হায়খি।

অমরোমদা, রাজ্য সভাগী এমপি ফৌজিয়া হাসননা লূচিংবা সেনিয়র নুপী লিদরশিংগী ওইবা পার্টি পুম্নমক্কী দেলিগেসন অমনা গভর্ণর ভগট সিংহ কোস্যারিগা উন্নদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা নুপীশিংগী মায়োক্তা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শীজিন্নরিবা গভর্ণমেন্টদা য়াওরিবা মিনিষ্টরশিংবু কাউন্সেল্লিং পীননবা তকশিনবা মেমোরেন্দম অমা সম্মিট তৌখ্রে।

দেলিগেসন অদুদা এমপিশিং, খান, জয়াবাচন, প্রিয়াঙ্কা চতুরবেদি, বন্দনা চাবন, লেজিসলেটরশিং ডা. মনিস্যা কয়ান্দে, সুমান্ট আর আর পাটিল, অদিতি টাৎকারে, বিদ্যাচাবরন, চতুজা লাৎকে, অর্দিট নৱাদে, এক্স-লেজিসলেটরশিং দিপিকা চাবন অমসুং কমল ধোলেসু য়াওখি। সমাজ ৱাদি পার্টিগী এমপি জয়াবাচননা ফোঙদোকখিবদা রুল্লিং পার্টিগী পোলিটিসিয়নশিংনা নুপীশিংগী মায়োক্তা শীজিন্নরিবা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতাশিংগী মতাংদা গভর্ণরদা তমদুনা খঙহনখ্রে হায়খি।

## লৈঙাক্কী স্কুল শিথরক্লে হায়বসি লৈঙাক্না শিঞ্জবনি...

*লামায় ৩গী মখা...*অপাশিং মেনশিনবীয়ু হায়জদুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি মীৎ থকৎপা স্কুল কয়া লিংখৎনরকপনা অদুগুম্বা স্কুলশিং অদুদা অঙাংশিং মহৈ তমনীংবা তাবনি। হৈরাঙ্গৈইথোং হায় স্কুল অসি অদুঙৈ কুমজা ১৯৫৩দা লিংখৎখিবনি অদুবু লৈঙাক্কী স্কুল ওইবদগী শোথরকপনি হায়খি।

স্কুল অসিগী ফীভম ফগৎহন্নবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগসু উন্নদুনা হায়জরে হায়রদুনা স্কুল অসিগী এলুমনাই ফাওবা লিংখৎতুনা অঙাংশিংগী মতেং পাংলি। মরমদি লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা হায়বসি লায়রবা মহৈরোয় ঙাক্তা ওইবনা মখোয়গী মথৌ তাবা লাইরিক অমদি বোয়নচিংবা লৈবীদুনা মতেং পাংনবা হোৎনবনি। স্কুল অসিদা লৈরিবা ওজাশিংসু অকনবা মওংদা মহৈরোয়শিংবু হেন্না ফনবা হোৎনরি। মহাকসু পেন্সন ফংলবা ফাওবদা স্কুল অসিগীদমক হোৎনরক্লিবা অসি মহাক কুমজা ১৯৬৯দা স্কুল অসিদগী ক্লাস টেন এগজামিনেসন পাস তৌখিবনি হায়রি।

হৌজিকসু স্কুল অসিদা অফবা অঙাংশিং য়াওরি। ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌবা অঙাং য়াওনা লেট্টর মার্ক অনী ফংবা অঙাংসু য়াওরি। মসিদা নত্তনা স্কুল অসি চৎলিবা চহী ২০২২গী ওইনা বেষ্ট হেদ মিষ্ট্রেসকী এৱার্দসু ফংলিবনি। মহাক মশামক কোলেজগী ওজা ওইরম্লগসু হায় স্কুলগী অঙাংশিংগা লোয়নবদসু নুংঙাইবা পোকই।

লোয়ননা প্রাইভেট স্কুলগী অঙাংশিংনা চপ মান্নবা ফুরিৎ লিংনরক্লিবা অসি ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংসু পাল্লমগনি। মরম অসিনা নুমিৎ নীনি খক্তা ওইরবসু লিংহল্লসি হায়দুনা স্কুলগী লোগো হাপ্তুনা ঙসি ফুরিৎশিং য়েন্থোকপনি হায়খি। লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা অঙাংশিংগী ৱাখল হন্থদনবা হোৎনবীফম থোকই। লায়রবা ইমুংগী অঙাংশিংদা ৱাখল ফকচিল্লম্বা অদুমক্তি ঙসিদি লৈত্রে হায়রদুনা লৈঙাক্না স্কুলশিংগীদমক পায়খৎলক্লিবা পোলিসিশিং ক্রিটিসাইজ তৌবদি নত্তে অদুবু মোদেল স্কুল খরা খনগৎলগা শেল হৈথদুনা শেম্লি। স্কুল ফগৎহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্না হেন্না থৌদাং লৌফম থোকই। অঙ্কগী ওজা লৈতদুনা কেমিষ্ট্রিগী ওজানা তাকপী তম্বীরি হায়বগী ফীভম মখা তানা লৈহল্লগুমসি। স্কুলশিংগীদমক ইনক্লুসিভ পোলিসি পায়খৎপীয়ু। লাক্লগা য়েংশিনবীয়ু। ক্লাস তৌরমদবা ওজাশিং থেংনরগনা লৌথোকপীয়ু। স্কুল অমখক ফৱগা লোইনমক ফরে হায়দুনা লৌবা য়ারোই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা জি পি ৱিমেন কোলেজগী হান্নগী প্রিন্সিপাল ৱাই চন্দ্রসখিনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা স্কুল অসিগী হেদ মিষ্ট্রেস এল ললিতানা থৌরম মপু ওইখি অদুগা হান্নগী এদিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়র টি থবা অমসুং ডা. এস শান্তিকুমার (স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটি) গী ভাইস চ্যেরমেননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

## মনিটেক্স ২০২২ লোইশিনখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*ওইখিবা পাৱর মিনিষ্টর পিট ঐচ বিশ্বাজিৎনা হায়, নেসনল হেন্দলুম সেন্সস রিপোর্টকী মতুংইন্না মণিপুরগী ফিশাবী লাখ ২গা লিশীং ১২ লৈবগী মথক্তা মখোয়গী ফিশাকোলশিংসু লৈবা ষ্টেট অমনি। মসিগীদমক চাওথোকচবা পোকই। ইমুং ৪৬,৫০০গী ফিশাবীশিংদা কান্নবা পীরক্লবা মতমদা মণিপুরগী শেন্থোক লম্বীদা খরমখৈদি মতেং পাংবা ঙম্লগনি হায়খি।

চৎলিবা নবেম্বর থা অসি মণিপুরগী নিংঙোলশিংগী চাক্কৌবা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হেন্দলুম এক্সপো অসিসু পাঙথোকপনি, মথংদনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল লাক্লগনি হায়খি।

থৌরমশিং অসি ঈরাং তৌদুনা পাঙথোকপা নত্তে। নুপীশিংনা শাজদুনা পুথোক্লিবা পোথোকশিং য়োকখৎপীনবা মী অমত্তা লৈতে। মরম অসিনা ঐখোয় ঈশানা মফম শেমজরগা পাঙথোকচরকপা ফেষ্টিবেলনি হায়খি। মালেমগী মফম অমত্তদা ফংদবা তোঙান তোঙানবা মীংথোল অমসুং মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবিরক্লিবা ফজবশিং অসি পুথোক্তুনা উৎনবগী মফম শেমজবনি। ফেষ্টিবেল শিন্দুনা শেল পংমাঙদা মাঙহনবা নত্তে। মমাঙগী লৈঙাকশিংনসু তৌরম্মী নৎত্রগা তৌরমদে হায়বসু নত্তে। অদুবু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা হেন্না য়োকখৎনবা হোৎনরকপনি।

হেন্দলুম অমসুং হেনিদক্রাফ্ট দেলিভরি স্কিম লিংখৎখ্রে। তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৩৬না খুন্দারিবা মণিপুরগী ওইনা মাগী মাগী ফুরুপশিংগী লৈরিবা ময়েকশিং য়োক্তুনা থম্নবা অর্কাইবস অমা থম্নবা হোৎনরসি। য়ূমথোঙ খুদিংদা ফিশাকোল থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী ইনাৎনি। দিষ্ট্রিক্ট ইন্দিয়া ৭৫ খনগৎপদা ইম্ফাল ইষ্ট য়াওরকখ্রে। চাকহাও অমসুং কিহোমগী হাট ওইরে। মরম অসিনা মণিপুরদা থোকচবা পোথোকশিং পুথোকচরগা ইরমদমদা শীজিন্নবদা নত্তনা মপান্দসু য়োনগদবনি হায়বগী পান্দমদা পুথোক্লরক্লে। ভোকেল ফোর লোকেল হায়বসি হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনরক্লি। মীয়াম্নসু মপূং ফানা শৌগৎলবা মতমদা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইরক্কনি হায়খি।

লোইশিনবগী থৌরম মপু ওইখিবী টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী মনিটেক্স পাঙথোরকখ্রবসু হৌখিবা কুমজা ২০২০ অমসুং ২০২১দদি কোভিদনা মরম ওইরদুনা পাঙথোকপা ঙমখিদবদু হন্দক চহীগীদি পাঙথোক্লে। ফিশাবীশিংদা চাদা ৩৫ তারগা লং পীবা হৌরগনি। মালেমদা লৈত্রবা ইমা কৈথেল মণিপুরদা খক্তা লৈবনা শুরি নোম্লিবা নুপীশিং অমসুং ফিশাবীশিং য়োকখৎলি। মথং চহীদদি মনিটেক্সকী ষ্টোলশিং লেঙদনা পর্মিনেন্ট ওইনা থম্নবা হোৎনরগনি হায়খি।

এক্সপো অসিমক মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগনি। মসিগীদমক ইমাশিং পূনশিন্নদুনা হোৎনমিন্নরগা সনা লৈবাক মণিপুর ওইহল্লসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্‌টস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চ্যেরমেন কে ঐচইবোমচা, মনিদকোগী চ্যেরমেন কে রোবিন্দ্রো অমসুং টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ লোয়শঙগী কম্মিস্নর আর কে ঝানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

## ত্রাইবেল হিরোজ ইন ইন্দিয়াজ ফ্রীদম মুভমেন্ট...

*লামায় ১গী মখা...* ইম্পরিএলিজমগী মতমদা ত্রাইবেল লুচিংবশিংনা শরুক য়াখিবশিং অদু নাথৈদুনা থল্লোইদবনি অমসুং মতম অদুদা মখোয়না থেংনখিবা অৱাবশিং নীংশিংগদবনি হায়খি।

গভর্ণরনা মখা তানা হায়, ঙসি ঐখোয়না ফংলিবা নীংতম্বা অসি মীওই খরখক্তনা পুরকখিবা নত্তে, নীংতম ঈহৌদা ত্রাইবেল ফুরুপশিংগী মথৌনা লৈবা অথৌবশিংনা চাউনা শরুক য়াখি। ঙসিগী মীরোলশিং মরু ওইনা নহারোলশিংনা অথৌবশিং অসিগী পুন্সি অমসুং পাউতাকশিংগী মরমদা খঙদবনি। মসিনা মখোয়দা লৈবাক নীংবগী অকনবা ঈথিল অমা পোকহনগনি। লৈবাক্কী কাচিন কোয়া কয়াদা লৈরিবা ত্রাইবেল লুচিংবশিংনা বৃটিশ লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা লান্থেংনখিবনি। মখোয়গী লান্থেং অদু মখোয়গী লমদমগীদমক্তনি অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইনা মখোয়গী মীয়ামগীদক্তনি। অদুম ওইনমক মতম অমদা লৈবাক অসিগী নীংতম ঈহৌদা মখোয়না শরুক য়াখিবা অদু অদুমক নাথৈদুনা থম্বীখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী রানি গাইদিনলিয়ু য়াওনা বিরশা মুন্দানচিংবা অথৌবা ত্রাইবেলগী নীংতম লান্মীশিংবু নীংশিংলদুনা গভর্ণরনা মখা তানা হায়, ত্রাইবেল অথৌবশিংগী পুৱারীদা পুম্নমক শুনা য়াওই অমসুং কোনশিল্লি। শকখঙবীদ্রবা ত্রাইবেল নীংতম লান্মীশিংনা শরুক য়াখিবা অদুবু শকখঙলদুনা য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট অনীমক্তা লৈঙাক্না ত্রাইবেল মীয়ামগী অপূনবা চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎলক্লি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্নসু ত্রাইবেল মীয়ামগী অপূনবা চাওখৎ থৌরাংগীদমক খোঙফম চেৎনা লেপ্লি হায়রদুনা য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাকশিংনা ত্রাইবেলশিংগী মফমদা লম্বী থোং ফগৎহন্নবগীদমক চোকথবা লৈতনা থবকশিং পায়খৎলি হায়খি।

লোয়ননা ঙসিগী কনফরেন্স অসিবু শিনখিবা নেসনল কম্মিসন ফোর সেদ্যুল্ড ত্রাইবস, ন্যু দেল্লীগী খোঙথাং অসিবু থাগৎলদুনা থৌরম অসি মরু ওইবা অমসুং তশেংনমক শীংথানীংঙাই ওইরবা থৌরম অমনি হায়খি।

ঙসিগী কনফরেন্স অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন রাজ মোহোননা লৈবাক্কী নীংতম ঈহৌদা ত্রাইবেল অথৌবশিংগী মরু ওইবশিং পনখি। ত্রাইবেল লুচিংবশিংনা মখোয়বু লোইলম লৈঙাক্না খুদুম চন্নবা হোৎনখিবা অদু কৈদৌনুংদা য়াখিদে অমসুং অহৌবদগী হৌনা মখোয়গী মীয়াম অমসুং মখোয়গী মরমদমগীদমক লান্থেংনদুনা লাকখি হায়রি।

থৌরম অসিদা কম্মিসনগী জেইন্ট সেক্রেটরি কোন্থাং তাওথাং অমসুং অখিল ভারতিয়া বনবরি কল্যান আশ্রমগী এদ্যুকেসন প্রোজেক্টশিংগী নেসনল কোওর্দিনেটর পি ভি রাধাকৃষ্ণনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না থবক্তগী পোথারবা লেফটিনেন্ট জেনরেল ডা. কোন্সম হিমালয়না ৱাঙাঙলোই ওইবগা লোয়ননা শরুক য়াখিবশিংগী মরক্তা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। থৌরমগা মরী লৈননা গভর্ণর লা গনেসননা ত্রাইবেল নীংতম লান্মীশিংগী ফোটো এগজিবিসন অমসু হাংদোকখি।

# দিসক্বালিফিকেসন পিটিসন ফাইল তৌখ্রে

পনাজি, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সী): ভারতিয়া জনতা পার্টি (বিজেপি) দা চোংশিল্লম্বা কংগ্রেসকী রেবেল লিদর নিপানগী মায়োক্তা দিসক্বালিফিকেসন পিটিসন অমা শেম শাবগী থবক চথরি মদু চয়োল অসিদা শোয়দনা ফাইল তৌরগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা গোৱা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

গোৱা প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমিট পাদকারনা পনাজিদা পাউমীশিংদা হায়, দিসক্বালিফিকেসন পিটিসন ফাইল তৌননবা শেম শারি। মদু থুনা চয়োল অসিদা ফাইল তৌরগনি। মশামক এদভোকেট অমসু ওইরিবা কংগ্রেসকী এম এল এ কার্লোস ফেরৈরানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না মচাক খরা থীরি। মসিনা মরম ওইদুনা পিটিসন ফাইলিং থিন্থরিবনি। কংগ্রেসনা অসিগুম্বা প্রিন্সিপল লৈতবা দিফেক্সনশিং থোকহন্দনবা থেংনগনি। হান্নগী জি পি সি সিগী প্রসিদেন্ট গিরিস চাদোনকরনা দিসক্বালিফিকেসন পিটিসন ফাইল তৌখিবগী মতাংদা পল্লদুনা ফরৈরা হায়, তোঙান তোঙানবা কংগ্রেস অনী লৈতে। সিটিজন খুদিংমক্না পিটিসন ফাইল তৌবা য়াই।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: KUMBI**
**BISHNUPUR DISTRICT, MANIPUR**
**ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / NOTICE**

Kumbi, the 14th November, 2022

No.69/SDC/KBI/Cert/2022 : This is for the general information that one individual namely konsam Monika Devi W/o Late Samom Santosh Singh of Kumbi Terakha Lai Sandong Maning Leikai has applied for legal heir.

Samom Santosh Singh is survived by the following lists of the legal heirs/family members as per her self-sworn affidavit:

| Sl. No | Name | Relation | Date of Birth | Occupation |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Konsam Monika Devi | Wife | 27/01/2002 | Housewife |
| 2 | Samom Tomthinnganba Singh | Son | 21/08/2019 | |

Any interested parties are invited to establish any claims or objection against the above statement and are directed to produce relevant admissible evidentiary documents upon which you intend to rely in support of your defence within 7 (seven) days from the date of the publication of this notice.

**Sd/- Md. Shalauddin Khan**
**Sub-Deputy Collector, Kumbi**

HL-B/4675/15